ফিফা ৱর্ল্ড কপ কটার ২০২২

# ক্রোএসিয়ানা মোরোক্কো ২-১দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে




কটার, দিসেম্বর ১৭ (এজেন্সী):
কটার ফিফা ৱর্ল্ড কপকী ঙসি নুমিদাং খালিফা ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা থর্দ প্লেস মেটচতা ক্রোএসিয়ানা মোরোক্কোবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা তোপ থ্রীগী মফম কনবা ঙমখ্রে।

ক্রোএসিয়ানা অহুমশুবা মফম কনবা ঙম্বা অসি হন্দক্কী অসি থারগা অনীরকশুবনি। অহানবদা ১৯৯৮ ফ্রান্স ৱর্ল্ড কপতা নেদরলেন্দসপু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখিবনি। ক্রোএসিয়ানা ২০১৮ রসিয়া ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেলদা ফ্রান্সকী মখূৎতা ৪-২দা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখি।

মোরোক্কোনা ঙসিগী মেটচ অসিদা মায়থীহৌরবসু ফিফা ৱর্ল্ড কপতা সেমীফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা অফ্রিকান অমদি আরব টিম ওইবা ঙমখিবনি।

খালিফা ইন্টরনেসনল ষ্টেদিয়মদা ক্রোএসিয়া অমদি মোরোক্কো অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা শান্নবা হৌরকপদা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখি। শান্নবা হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ ক্রোএসিয়াগী ফংখিবা ৩০ য়ার্দকী ফ্রী কিক্ অমা লোভরো মজেরনা পেরিসিক তম্না ৱাংনা থাদরকখিবা বোল অদু ইভান পেরিসিকনা হেদিং তৌদুনা পীরকখিবা পাস অমগী মতেংদগী য়োস্কো ভার্দিওলনা ১২ য়ার্দতগী হেদিং তৌশিনখিবা বোল অমা মোরোক্কোগী গোলকিপর বৌনাও লান্না চৎখিদুনা নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা মোরোক্কোগী কাউন্টর এটেক অমদা ফংখিবা ফ্রী কিক্ অমা হাকিমি জিয়েকনা নীংথিনা কাওরকখিবা বোল অমা অক্রফ দারিনা হেদিং তৌশিন্দুনা শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজ গোল চনবা ঙমখি।

টিম অনীনা স্কোর ১-১ লৈরবা মতুং ক্রোএসিয়াগী গোল হাপচিনবা য়াবা তাঞ্জা অমা মিসলেভ ওর্সিকনা ওইরোমদগী পুশিল্লক্তুনা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা পোষ্ট নাকন্দা লাপ্না চৎখিবদগী অরেম্বা তাখি। মোরোক্কোগী মায়কৈদগীসু গোল হাপচিনবা য়াবা তাঞ্জা অমা শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা হাকিমিনা পীরকপা পাস অমগী মতেংদগী জিয়েকনা ক্রোএসিয়াগী দিফেন্দরবু নাথৈরল্লগা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা এন নাসিরিগী মনিংদা চৎতুনা ক্রোস বারদা পান্দুনা অরেম্বা তাখি।

অহানবা হাফ লোইরমদাই ক্রোএসিয়াগী মেটিও কোভাসিকনা মোরোক্কোগী দি বোক্স মনুংদা মার্কো লিভাজাদা পীরকখিবা পাস অমা লিভাজানা থুনা য়াঙনা পীথরকখিবা বোল অমা মিসলেভ ওর্সিকনা য়েৎলোমদগী কাওশিল্লকখিবা বোল অমা পোষ্টতা পাল্লবা মতুং নেট শোক্তুনা শান্নবগী ৪২ শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়াগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা ২-১দা মোরোক্কোবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাফকী শান্নবদা মোরোক্কোগী মায়কৈদগী গোল হনে দাক্লবা খরা তপথনা গোল চনবা য়াবা তাঞ্জা য়েংদুনা শান্নখি।

শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা মোরোক্কোগী মিদফিল্ডরনা ওইরোম থংবদগী থুনা য়াঙনা কাওখৎলককখিবা বোল অমা দিফেন্দর য়োস্কো ভার্দিওলনা হেদিং তৌদুনা ঙাকথোককখিবা বোল অমা এন-নেসিরিগী মনাক্তা তাদুনা অনকপা রেঞ্জতগী কাওশিল্লকখিবা বোল অমা ক্রোএসিয়াগী গোলকিপর লিভাকোভিকনা নীংথিনা ফাদুনা অরেম্বা তাহনখি।

টিম অনীনা ৮০ শুবা মিনট অদুৱাইদা খঙহৌদনা গেমগী ইন্টেন্সিটি হেনগৎলকখি। মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৮৭ শুবা মিনটতা ক্রোএসিয়ানা মেটচ লোইশিনবা য়াবা তাঞ্জা অমা কোভাসিকনা মহাক্কী ওই থংবা খোঙনা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা পোষ্ট নাকন্দা চৎখিবদগী অরেম্বা তাখি। মখা তাবা টিম অনীগী মায়কৈদা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী ক্রোএসিয়ানা মোরোক্কোবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখিবনি।



**FINAL**

France vs Argentina 18 December (8:30 PM)
Lusail Iconic Stadium

অনীশুবা ষ্টেট ট্রাইথলোন চেম্পিয়নশিপ

## বেলখৃশ খোইরোমনা জুনিয়রগী গোল্ড লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):
ট্রাইথলোন এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী লমজিং মখাদা ট্রাইথলিট য়ুনাইটেদ ওফ মণিপুর (টি য়ু এম)না শীন্দুনা ঙসি কোংবা বজারদা লৈবা শ্যাম পুখ্রি স্বিম্মিং পুলদা পাঙথোকখিবা অনীশুবা ষ্টেট ট্রাইথলোন চেম্পিয়নশিপ ২০২২দা বেলখৃশ খোইরোমনা জুনিয়র নুপামচাগী কাঙলূপকী গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।




বেলখৃশ খোইরোম থাংমৈবন্দ লাইরেনহঞ্জবা লৈকাইদা লৈবা খোইরোম সুর্জিৎ অমদি খোইরোম ওংবী অশালাতাগী মচানুপানি। মহাক হৈঙাং রোদতা লৈবা সেন্ট এন্থোনি স্কুলদা ক্লাস নাইন তম্লিবা মহৈরোয়নি।

## ষ্টেট এলিট ৱিমেন বোক্সিং টিম ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):
মধ্য পুদেশকী কোনুং ভোপালগী টার্ন্টিয়াতোপ নগরদা থা অসিগী ২০দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬শুবা এলিট ৱিমেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়াগদবা মীওই ১৪না শাবা ষ্টেট এলিট বোক্সিং টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ষ্টেট টিম অসি এল জিবসননা মেনেজর ওইনা লুচিংখি। ষ্টেট টিম অসিগী কোচ ওইনা মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনগী সী ঐচ বিজেতা, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী এন সঙ্গিতা অমদি সাই এস টি সী খুমন লম্পাক্কী দল্লিয়ু হান্বীনা শরুক য়ারি।

শান্নরোয়শিং অদুনা কাংপোকপীগী টিংমিলা দোঙেল (কেজি ৪৮), ইম্ফাল ৱেষ্টকী ঐচ অশালাতা (কেজি ৫০), টি ঐচ ওজিবালা (কেজি ৫৪), ঐচ অন্বেশ্বরী (কেজি ৫৭) অমদি এলেনা থৌনাওজম (কেজি ৬৬), বিষ্ণুপুরগী এম রোসমেরি (কেজি ৫২), কামজোংগী সোভি জাজো (কেজি ৬০), থৌবালগী বিন্দিয়া নাওরেম (কেজি ৬৩) অমদি সনামচা থোকচোম (কেজি ৭০)নি।

## ফুটবোল কোচ এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):
ৱাঙ্গৈই ফুটবোল এসোসিএসন (ৱাফা) ৱাঙ্গৈইনা শীন্দুনা থা অসিগী ৮দগী হৌদুনা নুমিৎ ১০নি চুপ্না চথরকপা ফুটবোলগী কোচ এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম ঙসি ইবোতোন মেমোরিএল একাদেমি ৱাঙ্গৈইদা লোইশিনখ্রে।



প্রোগ্রাম অসি ৱাহেংবম ইরিগেসন ইন্টরপ্রাইজেস ৱাঙ্গৈইনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকপনি। প্রোগ্রাম অসিদা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাকপা কোচ ১৮না শরুক য়াখি।

ৱাফাগী ফুটবোল দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মনুং চন্না চথরকপা ট্রেনিং অসিদা অসামগী নুমালিগরদা লৈবা এন আর এল ফুটবোল একাদেমিগী এ এফ সী ইন্সট্রক্টর সোইবম একেন্দ্রনা কোচশিংবু তাকপী তন্বীখি।

লোইশিনবগী থৌরমগা মরী লৈননা ইবোতোন মেমোরিএল একাদেমি ৱাঙ্গৈইগী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু জাদুমণিনা ফোঙদোকখিবদা, কোচ এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম অসি ৱাফা ৱাঙ্গৈইনা ফুটবোল মশান্নবু য়োকখৎনবা অমদি অফবা শান্নরোয় কয়া লেপ্তুনা পুথোক্নবা হোৎনবগী থৌরমগী মনুং চন্না পাঙথোকপনি। ট্রেনিং অসিনা কোচশিংনা মতমগা চুনবা মখলগী নোলেজশিং পীদুনা কোচশিংনা অমুক শান্নরোয়শিংবু নীংথিনা তাকপী তন্বীবা ঙমহন্নবনি হায়খি।

হৌজিক ষ্টেট অসিদা য়াম্না তোয়না থোক্লিবা পামদবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা রেফরি অমদি কোচ/ শান্নরোয়শিংগী মরক্তা উংখৎনবা, খৎন-চৈনবনচিংবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোক্লিবা অসিসু হন্থহনবা ঙল্লগনি। ক্লব অসিদগী মমাংদা আই এস এলগী প্লেয়র মঙা য়াওনা শান্নরোয় কয়া পুথোকপা ঙমখিবগুম্না মখা তানা মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া লেপ্তুনা পুথোক্তুনা অমদি মশান্না অসিবু প্রোফেসনেল ওইবা শীনফম অমগী থাক্তা পুরক্তুনা ষ্টেট অসিগী ইকোনোমি ফগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌনবা হোৎনখিগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এ এফ সী ইন্সট্রক্টর সোইবম একেন্দ্র অমদি ন্যুটিসনিষ্ট রাধারানী য়ুম্নাম্না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

## ষ্টেট ওপন ভোলিবোল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):
য়ুনাইটেদ নোবেল ভোলিবোল টিম (য়ু এন টি)না শীন্দুনা ৫শুবা এলাংবম পিশক মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোলিবোল টুর্নামেন্ট ২০২৩ মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১২দগী ১৯ ফাওবা তোপ সিফাইদা লৈবা কোস্মো গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী রিটায়র্দ দেপ্যুটি সেক্রেটরি এলাংবম থোইবা অমদি লমজাওতোংবা গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এলাংবম ওংবী সুশিলা অনীনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি এসোসিএসনশিংনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ৩১ ফাওবগী মনুংদা মপাল কাংজৈবুংদা লৈবা ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসনগী ওফিসতা নৎত্রগা তোপ সিফাইদা লৈবা য়ু এন টিগী ওফিসতা এন্ট্রি ফোর্ম পীশিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিগী এন্ট্রি ফীনা লুপা লিশিং ২ ওইগনি। মেনেজর্স মীটিং অমদি ফিকচর দ্রোনা ফেব্রুৱারী ৫দা ওল মণিপুর ভোলিবোল এসোসিএসনগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৯৭৭৪৮৯০৬৪৯ / ৮১৩১৮৬৬৭১৭ / ৮৪১৩০৬২০০১দগী খঙলবা য়ারগনি হায়রি।

## অহানবা ট্রুগপু ট্রোফি ঙসি হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):
টিদ্দিম রোদ য়ুনিক গেমি প্লেয়র্স য়ুনিয়ন নম্বোলনা শীন্দুনা অহানবা ট্রুগপু ট্রোফি ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২২-২৩ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ১দা নম্বোল কোংখামদা লৈবা ট্রুগপু গ্রাউন্দদা ওইনামগী এম এল এ ইরেংবম নলিনীনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ৬না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়ারি। গ্রুপ এদা ট্রুগপু নম্বোল, সগোলবন্দ য়ুনাইটেদ অমদি আর এফ সী সী কৈনৌ অদুগা গ্রুপ বিদা সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) শীংজমৈ, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) অমদি জি দি সী থিনুঙ্গৈনা শরুক য়ারি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মেটচতা গ্রুপ এগী য়ূম্বু টিম ওইরিবা ট্রুগপু নম্বোল অমদি আর এফ সী সী কৈনৌ অনীনা নুংথিল পুং ২দা শান্নরগনি।

হৌদোকপগী থৌরমদা নম্বোল হায়র সেকেন্দরি স্কুল কোংখাম ময়াই লৈকাইগী হান্নগী প্রিন্সিপাল অঙোনজাম্বম নবচন্দ্র মৈতৈনা থৌরম মপু অদুগা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মলেরিয়া মেদিকেল ওফিসর ডা. থৌনাওজম নবকিশোরনা অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াগনি।

## মুইএ থাই কেম্প পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচএনএস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট এমেচর মুইএ থাই এসোসিএসন অমদি মণিপুর মুইএ থাই একাদেমি চঙাঙ্গৈ অনীনা খূৎশম্না শীন্দুনা মুইএ থাই খান সর্টিফিকেট ট্রেনিং কেম্প অমা চঙাঙ্গৈদা লৈবা একাদেমিদা থা অসিগী ২৭তগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্লগনি।

ট্রেনিং কেম্প অসিদা ৱর্ল্ড একাদেমি ওফ মুইএ থাই অমদি স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ওথোরিটি ওফ থাইলেন্দদগী লাকপা গ্রান্দমাষ্টর অমনা তাকপীগনি অদুগা মণিপুর মুইএ থাই একাদেমিগী চীফ ইন্সট্রক্টর অয়েকপম শঙ্কর, ক্বালিফাই ইন্সট্রক্টর অয়েকপম রোমেশ অমদি ইন্সট্রক্টর খুমন্থেম গিলবরনা এসিষ্ট ওইগনি।

ট্রেনিং কেম্প অসিদা শরুক য়ানিংবশিংনা থা অসিগী ২০দগী একাদেমি অসিদগী ফোর্ম লৌবা য়ারগনি। অদুগা থা অসিগী ২৬ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম থাজিল্লক্কবা খঙহল্লক্লি। মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৯৮৬৩১৯০৫২৪দা পাউফাওরকপা য়াগনি অমদি অরাপ্পা মফমদগী লাকপশিংগীদমক লৈফম-চাফম শীনগনি হায়রি।

SPOKEN ENGLISH

Classes for groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students

■Grammar ■Pronunciation ■Group discussion ■Public speaking ■Vocabulary

Global Spoken English, Gourahari Market,
Behind Pologround, Near Hotel Christina, Paona Bazaar, Imphal

(Timing: 5:00 am, 6:10 am, 7:40am, 11:00 am, 1:00pm, 4:00 pm, 5:30pm)

Instructors: Sir Tejkumar (Teaching Since 1987)
Alice Thokchom (MA English, Punjab University)


Contact Numbers: 8132904426, 9362150894

HL-B/7933/4/12-3/02




HL-B/7893/13/12-12/-1

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 662**

IM Viktor Skliarov (2387) - Edgard Vinicius Zanette (2115)
Titled Tue 26th Apr Late chess.com INT (3), 2022.04.26

1.e4 e5 2.Nc3 Nf6 3.Bc4 Nc6
4.d3 Bc5 5.a3 d6 6.h3 a6
7.Nge2 Be6 8.Nd5 Bxd5 9.exd5 Ne7
10.Nc3 h6 11.Qf3 Qd7 12.O-O Qf5
13.Qxf5 Nxf5 14.Ne4 Nxe4 15.dxe4 Nd4
16. ...

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 661 Ans. :**

38. ...Bd4+
39. cxd4 Qb1+ 40. Be1 Rxe1+
40. ...Qxe1+ 41. Nxe1 Rxe1# Anastasia's mate
41. Nxe1 Qxe1# Anastasia's mate
0-1




HL-P/5089/2/12-30/01

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com